# কুমজা ২০১৮গী মার্চ থাদগী ঐহাক বেঙ্গলোরগী জে এস দল্লিযুদা জুদোগী নুপী কোচ অমা ওইনা থৌ পুজরকখি : ওইনাম রাশেশ্বরী চনু



ওইনাম রাশেশ্বরী
ইন্টরনেসনল জুদোকা



(হান্নগী মখা...)

কুমজা ২০১৮গী মার্চ থাদগীদি ঐহাক বেঙ্গলোরগী জে এস দল্লিযুদা জোইন তৌজরকখি। তশেংবদি, ঐহাক্না নুপীগী কোচ অমা ওইনা কোন্ট্রেক্টতা জোইন তৌবা ফংজরিব-সিদি মখোয়না কৌবীরকপনি। অদুগা ৱাফম অমনা মণিপুরদা জুদোগী নুপী কোচশিংসু মশীং পংয়াম য়ামদে। অতৈ অতৈ মশান্নগীদি এন আই এস কোচ ময়াম অমা লৈ। অদুবু জুদোগী কয়া য়াম্বা উদে।

বেঙ্গলোরগী জে এস দল্লিযুনা ঐবু মরু ওইনা কৌবীরকখিবসিদি ইন্দিয়াগী মরু ওইনা শেমগৎকদৌরিবা জুদোকা ময়ামগী মনুংদা মণিপুরদগী নুপীমচা ১০, নুপামচা মঙা পূন্না ১৫ য়াওরি। জে এস দল্লিযুগী ইন্সপয়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা স্পিসিয়েল ওইনা ত্রেনিং পীরিবসিসু শুপ্নগী মশান্না অহুমখক্তদনি। বোক্সিং, জুদো অমসুং রেষ্টলিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ওলিম্পিক্তা পান্দম থন্নগা শেমগৎপনি।

মণিপুরগী জুদোকা ১৫ অসি ত্রেনিং পীবদা হেন্না খুদোংচানবা, লোয়ননা নুপী কোচকী থাজিল্লক্লিবা বাইও-দাটা ময়ামদুদা হান্না ইন্টরনেসনল য়ৌনা শান্নরল্লগা এন আই এস দিপ্লোমা তৌরকপসি ঐহাক ইতোমতা ওইখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঐহাক জে এস দল্লিযুদা কোচ ওইনবা কৌবিরকখিবনি। অতৈ থাজিল্লক্লিবশিং অদুদি নেসনল পার্টিসিপেট তৌরগা ত্রেনিং চৎলুবা ঙাক্তসু ওইরমখি। অদুনা জে এস দল্লিযুদা লৈননবগী খুদোংচাবদু ঐনা ফংজখিবনি। অদুগা ঐগী পর্ফোমেন্সনচিংবসিসু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা জুদো কোচ সার জিবন শর্ম্মা (হন্দক্তা দোর্নাচার্য্য এৱার্দ ফংখিবা) হোয়নসু ফজনা খঙই।

সার জিবনসি পটিয়ালাগী এক্সলেন্সিগীসু কোচ অমা ওইনা ঐহাকপু তাকপী তন্বীরকখিবা সারনি। এক্সলেন্সিদা ঐনা লৈজরম্বসি চহী ৫/৬ রোমনি। ইন্দিয়া কেম্পতসু ঐদি কুমজা ২০০৪দগীনা ২০১৫ ফাওবা জুনিয়র থাক্তগীনা সেনিয়র থাক ফাওবা মপূং ফানা য়াওজরকখি। অদুগুম্বা ময়ামদু মথং মথং তৌজরল্লগা কোন্না চহী অমগী ত্রেনিংদু তৌজরকপনি। কোচনচিংবা লৌবগী মতাংদা মপানগী মমিং লৈরবা ফার্ম, কম্পেনি কয়ানা তৌরিবা মওংসিগা মণিপুরদা তৌরিবসিগদি য়াম্না খেন্নে।

মখোয়গী য়াম্না নুংঙাইবসিনা বাইও দাতাসি ফজনা য়েংলগা করম্বনা খ্বাইদগী ক্বালিফাইদ ওইবগে হায়বসি খঙলগা সেলেক্ট তৌই। করমহায়না হৌরকই, জুদোগী মরমদা কয়াম খঙই, এচিভমেন্ট করি করি লৈবগে হায়বা ময়ামদু উরবা মতুংদা খল্লি। থবক্কী ওফর ফোর্ম থারকপদুসু কেন্দদেট ময়াম অমা, মরী লৈনবা চেচাংশিং থাজিল্লকখি। অদুবু ময়ামদুগী মনুংদগী ঐখোয়না নঙবু খল্লে। অথুবা মতমদা চয়োলসিগী মনুংদা জে এস দল্লিযুদা লাক্তুনা জোইন তৌবীররো হায়না অইবা চেরোল থাবীরকখি। ঐহাক্না জে এস দল্লিযুদা লৈননবগী অয়াবা ফংজরিবা মতম অদুসু কুমজা ২০২০ ফাওবনি।

কুমজা ২০১৮গী মার্চ থাদগী লৈজরকপসিদা জুদোগী ওইনা ত্রেনিং পীরিবসি ফোরেন কোচ মোম্মুকা, ইন্দিয়াগী কোচ সার জিবন শর্ম্মা অমসুং ঐহাক্না ঐখোয় অহুমনি । সেন্তরসিদা লৈরিবা জুদোকাসিনা ৩০নি। বোক্সিংদসু মৈতৈ মচা ১০ রোম ত্রেনিং তৌরি। অতৈ স্পোর্টস ইভেন্টশিংগা য়েংনরুরবদি জুদোদা লৈরিবা প্লেয়রসিনসু ইয়াম যান্মী। অমরোমদা মণিপুরদগী লাকপা জুদোকাশিং অসিদি হেন্না মরাইবক ফবা হায়বদু ওইরবনি। ঐসু লৈরবনিনা জে এস দল্লিযুগী রুলশিং অদু নিংথিনা খঙহন্দুনা ঙাক্লা চৎহল্লি। ঐদি মতম শাংনা হোষ্টেল লাইফতা লৈরকপনিনা মখোয়বু কূপ্না য়েংশিনবসু ঙম্মী। মণিপুর মচাশিং য়াম্না ফজনা কন্ট্রোল তৌদুনা লোইনজবদুদা জে এস দল্লিযুগী ওফিসিয়েলনসু য়াম্না থাগৎপী। শান্নবদসু ফগৎলকপা, এচিভমেন্ট মথং মথং লাকপা উবদগী ফোরেন কোচ সার মোম্মুকানসু মৈতৈ মচাশিং অসি কূপ্না অদুম শেন্নে। মহাক্না ফুল হোপ থন্নিবসিসু মৈতৈ মচাশিংদনি। ফোরেন কোচ সার মোম্মুকানা চীফ কোচ ওইনা ত্রেনিং ফজনা পীবদগী জে এস দল্লিযুদা লৈরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা জুদোনা এচিভমেন্টসু ইহেন হেন্না লৈ। হন্দক চহীগী সব জুনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল তরেৎ লৌরকপদা মঙা অমদি মৈতৈ মচাশিংনা ফংলকখিবনি।

বেঙ্গলোরদা লৈবা জে এস দল্লিযুগী আই আই এস অসিগী অখন্নবা খুদোংচাবা খরা পনবা তারবদি, সেন্তরসিগী ত্রেনিং পীরিবা মওং, শান্নরোয় অমগী চেকশিন থৌরাংশিং, জিমগী মতিক চাবা ফেসিলিটিশিং অসিনি। সেন্তরসিদা লৈরিবা জিমগী ত্রেনিং পীরিবা মওংসিদি ইন্দিয়া কেম্পতা ফাওবা লৈত্রি। য়ু এস এগী সার দেনিয়ল কৌবা অমনা ট্রেন্নর ওইনা লৈ। অসিদসু নত্তনা গেম খুদিংমক্কী ফিজিও থেরাপিষ্ট অমমমসু লৈ। মেটতা কোচনা ত্রেনিং পীরিঙৈসিদা মখোয়সু অদুম য়াওই। অশোয় অঙাম, অশোক অপন, সোলজর নারকপা, লিঙ্গামেন্টনচিংবা শোক্ল কপদা মখোয়না অদুমক য়েংশিল্লি। কোচশিংনা তাকফম থোকপা তাল্লগা, ফিজিও থেরাপিষ্ট, জিমগী ত্রেনরশিংসু মখোয় মখোয়গী মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তুনা জুদোকাশিং শেমগৎপদা অচৌবা মতেং পাংই।

-মথং-মথং

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জুদোদা মীৎয়েং অমা

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৪

১। মণিপুরগী করম্বা মফমদা গ্রাসকোর্টকী টেনিস কোর্ট শেমদুনা টেনিস শান্নরম্বগে?

২। ব্রাজিলগী পেলেনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ওফিসিএলগী ওইবা থৌরম অমা চৎপদা মহারানি ইলিজাবেথ অনীশুবনা মঙোন্দা ইংলিস ক্লব অমদা ফুটবোল শান্নবা য়াওহন্নীংই হায়খি। করম্বা ইংলিস ক্লবতা মহারানিনা মহাকপু য়াওহন্নীংই হায়খিবনো?

৩। ইন্দিয়ানা হেক নীংতম্বা চহীদগী কুমজা ১৯৫৪ ফাওবা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ অদু করম্বনো?

৪। কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মহাক চহী ৯৮ শুখ্রে। মহাক ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা নুপানি অমদি ওলিম্পিয়ানশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংনা চহী ১০০ হেন্না পুন্সিখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় গৌতম গম্ভির মশান্না অসিদগী পোথাখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

কুমজা ২০০৭তা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌবা ঙমখিবা অমদি কুমজা ২০১১দা আই সী সী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ টাইটল ফংখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মরুওইবা বেটসমেন অমা ওইনা শরুক য়াখিবা গৌতম গম্ভির ক্রিকেট মশান্নদগী পোথারগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬শুরবা শান্নরোয় অসিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা শরুক য়াদুনা টেষ্ট মেচ ৫৮, ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ ১৪৭ অমসুং টি-২০ মেচ ৩৭ শান্নবা ঙমখি। কুমজা ২০০৪দগীনা ২০১৬ ফাওবা গৌতম গম্ভিরনা ইন্দিয়াগী ওইনা টেষ্ট মেচ ৫৮ শান্নখিবদা সেঞ্চুরি ৯ অমসুং হাফ সেঞ্চুরি ২২ য়ৈরগা চাংচৎতা রন ৪১.৯৫ লৌদুনা পূন্না রন ৪১৫৪ য়ৈবা ঙমখি।

মহাক্না কুমজা ২০০৩দগীনা ২০১৩ ফাওবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারগা ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ ১৪৭ শান্নখি। মদুগী মরক্তা টি-২০ ইন্টরনেসনল মেচ ৩৬সু শরুক য়াবা ঙমখি। মহাক্কী করিয়র অদুদা ক্রিকেটকী ফোর্মেট অহুম্মক পূনশিল্লগা পূন্না রন লিশীং ১০ হেন্না লৌবা ঙমখি।

গৌতম গম্ভিরনা মহাক্কী ট্যুটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা মহাক্না খ্বাইদগী পামজবা ক্রিকেট মশান্না অসিদগী পোথাগনি হায়বগী ৱারেপ লৌবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু মতমনা পুরকপা অমা ওইবা মরম্না পোথাবগী তাঞ্জা অদু লাকখিবনি হায়খি। শগোলশেল নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেটতা অন্ধ্র প্রদেশকা শান্নবদা দেল্লিগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরিবা অদুনা গম্ভিরগী অরোইবা গেম ওইগদৌরি।

# ক্রোসিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় লুকা মোদ্রিসনা কুমজা ২০১৮গী বেলোন দি'ওর মনা ফংখ্রে



পেরিস, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ কুমজা ২০১৮গী ওইনা মালেমগী খ্বায়দগী ফজবা নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয়গী মনা অদু ক্রোসিয়াগী লুকাস মোদ্রিসনা ফংখ্রে। মহাক্না ঙরাং ফংখিবা মনা অদুনা চহী ১০ রোম পোর্টুগালগী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসু অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা খুদুম চন্দুনা ফংলকখিবা মনা অদুগী রেকোর্দসু থুগাইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩দা ঙাইরিবা ক্রোসিয়া লৈবাক্কী মিদফিল্ডর অদুগা হৌজিক হৌজিক্কা স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদকী শান্নরোয় ওইরিবা লুকাস মোদ্রিসনা ঙরাং পেরিসতা পাঙথোকখিবা চীংলেন্নবা থৌরম অদুদা পুন্না পোইন্ট ৭৫৩ ফংদুনা বেলোন দি'ওর মনা অদু ফংখিবনি। মালেমগী নুপাগী খ্বায়দগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোয় খনবগী মীখলদা মমাংদা মনা অসি কয়ারক ফংবা ঙমখ্রবা পোর্টুগালগী হৌজিক হৌজিক্কা ইটালিগী ক্লবা জুবেন্টসতা শান্নরি খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পোইন্ট ৪৭৮ ফংলগা অনীশুবা তাখি। অদুগা চহী অসিদা রসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মায়পাক্তুনা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় হৌজিক-হৌজিক্কা স্পেনগী ক্লবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয় এটোইন গ্রিজমাননা পোইন্ট ৪১৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াই ক্রোসিয়াগী মোদ্রিসনা বেলোন দি'ওর মনা ফংখিবা অদু চহী অসিগা সেপ্তেম্বর থাদা ফিফাগী খ্বায়দগী ফজবা নুপাগী শান্নরোয়গী মনা ফংলবা মতুংদনি। মদুগা মাঙওইননা রসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুদা খ্বায়গী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদুসু ফংখ্রবনি।

বেলো দি'ওর মনা অসিগী হৌখিবা চহী ১০ অসিদা পোর্টুগালগী শান্নরোয় খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা মনা অদু ৫/৫রক ফংদুনা লাকখিবনি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০০৬তগী মনা অসি ফংখিবা অমদি মকোক থোংবা শান্নরোয় ৩ ফাওবগী মনুংদা অদুম্মক চন্দুনা লাকখ্রবা অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি কুমজা ২০১৮গী ওইনা অহানবা শান্নরোয় ৩গী মনুং চনখিদবনি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল মেগাজিনা শীন্দুনা মালেমগী ফুটবোল জর্নেলিষ্ট ১৮০গী মায়কৈদগী লৌখিবা ভোট অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা বেলোন দি'ওর মনা অসি পীবনি। ক্রোসিয়াগী লুকাস মোদ্রিসনা কুমজা ২০১২দগী স্পেনগী ক্লবা রিএল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়ারক্লবা মতুং হৌজিক ফাওবদা য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৪ য়াওনা পূন্না ট্রোফি ১৪ লৌবা ঙমখি।

বেলোন দি'ওর ফুটবোল মনা অসি নুপীগী ওইনা বেলোন দি'ওর ফেমিনিন মনা অদু নোৱেগী শান্নরোয় অদুগা হৌজিক-হৌজিক্কা ফ্রান্সকী ক্লবা লিয়োনদা শান্নরিবী অদা হেগরবর্গনা পূন্না পোইন্ট ১৩৬ ফংদুনা নুপী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বায়দগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু ফংখি। নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অদা হেগরবর্গনা মকোক ওইখিবা অদু য়াম্না নক্না পোইন্ট ১৩০ ফংদুনা দেমার্ক্কী পর্নিল হার্দরনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মহাক হৌজিক-হৌজিক জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবা ৱোল্ফবর্গতা শান্নরি। অদুগা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা জর্মনিগী শান্নরোয় অদুগা ফ্রান্সকী ক্লব লিওনদা শান্নরিবা জেনিফর মারোজাননা পোইন্ট ৮৬ ফংলগা অহুমশুবা তাখি।

চহী ২১ মখাগী মালেমগী খ্বায়দগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদুনা ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌখিবা টিম অদুদা শরুক য়াখিবা অদুগা হৌজিক্কা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা নহা ওইরিবা কিলিয়ন মাপেনা পোইন্ট ১১০ ফংদুনা মহাক্কী লম্বা তৌখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অনীদগী পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা কোপা ট্রোফি হায়না খঙনবা মনা অদু কুমজা ২০১৮গী ওইনা মহাক্না ফংখি। কোপা ট্রোফিগী অনীশুবা থাক্তা লৈখিবা পোইন্ট ৩১ ফংখিবা শান্নরোয় অদু য়ূ এস এগী হৌজিক্কা জর্মনিগী ক্লবা বোরুসিয়া দোর্টমন্দদা শান্নরিবা খৃষ্টিয়ন পূলিসিকনি। অদুগা অহুমশুবা থাক্তা লৈখিবা শান্নরোয় অদুনা নেদরলেন্দস মচা লৈবাক অদুগী ক্লব এজাক্সতা শান্নরল্লবা মতুং হৌজিক্কা ইটালিগী ক্লবা রোমাদা শান্নরিবা জষ্টিন ক্লুইভর্টনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা লৈখি।

# মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে, চাইনা অমসুং অয়রলেন্দ দ্রো চৎখ্রে



ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা থা অসিগী ২৮দগী হৌখিবা ১৪রকশুবা হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা পূল 'বি'গী মেচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। পূল অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনা অমসুং অয়রলেন্দ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদু মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লাকখি। নীংশিংবা য়াই পূল অসিগী অহানবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা অয়রলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। অদুগা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা মেচতা চাইনাগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসি ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মেচকী ৩শুবা কার্টর অদুসু মায়কৈ অনীমক্তগী মখাতানা লম্বা মান্ননা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইদুনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। শান্নবগী অরোইবা অমদি মরীশুবা কার্টর অদুগী হৌরকপা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক্ট অমদগী জেক হ্বেটননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অহেনবা থৌনা লাকখি। শান্নবগী মিনট ৫০ চঙশিল্লকপদা টিম অদুনা মখাতানা পুশিল্লকখিবা এটেক্ট অমদা ব্লেক গোভর্সনা ফিল্ড গোল অমগা হাপচিন্দুনা ইংলেন্দবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা অমুক্কা হন্না মাংজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী শোথরবা ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিং শান্নবা লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লকত্রবদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী হোৎনখিবা পূম্নমক অরেম্বা তাখি। শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী কোরি ৱেয়রনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেচ অদু ৩-০দা থোইদুনা পূল 'বি'দা পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক থোংবা ঙল্লি।

ঙসি পূল অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা অয়রলেন্দ অমসুং চাইনা লম্বা তৌনখি। চাইনা মখোয়গী অহানবা মেচ অদুদা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবনি। নাকল অমরোমদা অয়রলেন্দগী টিম ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি। চাইনা অমসুং অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেচ অদু মায়পাক্তবা য়াদে হায়বগী তঙাইফজবা লৈবা মরম্না হৌবদগী অকনবা লম্বা তৌনরকখি।

মেচকী অহানবা কার্টর অমসুং অনীশুবা কার্টর পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকখি। চাইনাগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা এটেক্ট চখদুনা অয়রলেন্দগী মায়কৈদা বোল পূশিনবগী চাং ৱাংখি। অদুবু অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা চপ চাবা পাউখুম পীদুনা মখোয়না এটেক্টশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। অহুমশুবা কার্টর অদু লোয়গদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা চাইনাগী জিন গুওনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা মেচতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অয়রলেন্দবু মাংজিল থাদুনা লৈখি।

চাইনানা পাঞ্জল মাংজিল থাখিবা অদু মতম কুইনা লৈবা ঙমখিদে। থংনবা মিনটতা অয়রলেন্দগী মায়কৈদগী অলান সোথর্ননা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মায়কৈ অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা মান্নদুনা লৈখি। শান্নবগী অরোইবা অমদি মরীশুবা কার্টর অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখাতাবা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎলগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। পূল 'বি'দা ঙসিগী মেচ অনীগী শান্নবা লোয়শিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মেচ অনী শান্নবদা অনীম্মক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা মাংজিল থারি।

চাইনানা মেচ অনী শান্নবদা অনীম্মক দ্রো চক্তুনা পোইন্ট ২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অয়রলেন্দ অমসুং ইংলেন্দগী টিম মেচ অনী শান্নখিবদা মেচ অমা মায়থীখিবা অমসুং অমনা দ্রো চৎখিবা মরম্না পোইন্ট অমমম ফংমিন্নরি অদুবু গোল দিফরেন্সতা অয়রলেন্দনা ফজবদগী ৩শুদা অদুগা ইংলেন্দনা ৪শুবদা লৈরি।

# হিরো আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা কেরলা ব্লাষ্টরস অমসুং জমসেদপুর এফ সী দ্রো চৎখ্রে




কোচি, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো আই এস এল ২০১৮-১৯গী ঙসি কেরলাগী কোচি সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৪৮শুবা লীগ মেচতা য়ূম্বু কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সী অমসুং জমসেদপুর এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সী মেচ ৮ শান্নখিবদা অমা মায় পাল্লগা মেচ মরি দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অহুম মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট তরেৎ ফংলগা তরেৎশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

অমরোমদা, জমসেদপুর এফ সী মেচ মাপন শান্নখিবদা অহুম মায় পাল্লগা মঙা দ্রো চৎলবা মতুং মেচ অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

টিম অনীনা ঙসিগী মেচ অদুদা মপূং ওইবা পোইন্ট অহুম ফংনবগীদমক মায় পাক্লনবা হোৎনরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী লম্বা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি।



পনবা য়াই, কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সীগী গোলকিপর ওইরিবা শান্নরোয় অদু মমাঙগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গোলকিপর ওইখিবা মণিপুর মচা ধিরজ মোইরাংথেমনি।

মহাক্না ঙসিগী মেচ অদুগী ৬৬শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী টিম কাহিলনা পুশিল্লকখিবা বোল অদু মুন্নবা হোৎনবদা পেনালটি বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক পেনালটি অমা জমসেদপুরনা ফংখি। খুদোংচাবা অদু কার্লোস কালভোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জমসেদপুরনা কেরলাবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টরসতা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সৈমিনলেন দোঙ্গেলনা ইক্কোলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

# হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টনা ২০২৩ ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী য়ূম্বু ওইগদৌরি

বুদাপেষ্ট, দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী এথলেটিক্স টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈবনি হায়না লৌনরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী কুমজা ২০২৩গী য়ূম্বু অদু হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টনা ওইগনি হায়না ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্না ঙসি লাউথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ অদু এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মদুগী মতুং চহী অনী লৈরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২১ ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী সিটি য়ুজিন্দা পাঙথোক্কদৌরি।

কুমজা ১৯৯৮দা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টনা য়ুরোপিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ মায় পাক্না য়ূম্বু ওইখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৩দা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইঙ্গাদৌরিবা অসিনা মালেমগী থাক্ত পাঙথোকপা এথলেটিক্সকী খ্বাইদী চাউবা চেম্পিয়নশিনপী য়ূম্বু ওইবা অহানবা ওইঙ্গাদৌরি।

পনবা য়াই, বুদাপেষ্টনা হৌখিবা চহীদা কুমজা ২০২৪গী ওলিম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংহৌদ্রবা মতুং ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসি য়ূম্বু ওইরকপনি।